হুয়েন লানপাও
HUEIYEN LANPAO

Thursday, November 23, 2023, Imphal



# “বেতি বচাও বেটি পরাও-!”

- এল ইবোমচা -

ইমা লৈবাক মণিপুর নহাক্কী তুংগী লাইবক করম থোক্লগবা হায়বা ঙমদে, খল্লুবদা বুধি মন্মী। মহৌশা তৌনরমদবা কয়া তৌরে, উরমদবা কয়া উরে, তারমদবা ৱাহৈ খোন্দা কয়’মা তাবা ফংলে, খঙদেদা ইমা লৈবাক মণিপুর নহাকসে করম থোক্লগবা ৱাদবা ঙমদে। ইমা লৈবাক মণিপুর নহাক মচেৎ তানা থুগাইনবা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা অফবা মখলগী বোম-টোপ, নোংমৈ শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা লান তাশিল্লক্লি। মহৌশাদি লৈশাবীনি মৌগী শীংদা চল্লবীনি হায়বা ফিজেৎ লৈতেংনা শমহাৎনা ইরায় লায়না খঙলম্মী। লুখ্রা-পাখ্রানি হায়বা মশা-মশানা লাইবক্তা নল্লিবা চন্দল মচুদু উরগা ইরায় লায়না খঙনরম্মী। ৱাঙাঙ-শঙাঙদসু অদু মঙাই মহৌশা তারমদবা খোন্থোক ৱাহৈশিং চাহৈখিরোই, তৌহৈখিরোই, চৎহৈখিরোই, করিবু হায়রিবনো খঙদে খিরোই-খিরোইনা ৱাই চাইরে। হূই চাক থাবা ফাওবা মহৌশাদি দ্রুবী লাও-লাও হায়দুনা কৌনরম্বদু ঙসিদি জেক্কি, তোনি, চার্লি লাও-লাও কৌনরক্লে। য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওরিবদি মহৌশাগী ঐখোয়গী মীতৈ হূই, তাঙ্খুল হূই উবা ফংলক্তবা মসিনি। হায়বদি মীরমগী মমায়-মমিৎ মথোং মরম খঙদবা মমায় বং-বং লাউবা, মতু-মরাং জোম-জোম লাউবা, মখোল চুম্না খোংবা হৈতবা হূইনা মহুৎ শিনখ্রে। মরক-মরক্তা কনাগুম্বগী যূম খরদা মীতৈ হূই লোয়বা থেংনরবসু চাক ঈশিং মতম চানা পীজগনি নীংশিংনদ্রে। মীরমগী হূইদা মপূক্লিং লোইনা চঙনখ্রে। মীরমগী হূই ইমুংদা চঙবদা অথিংবা থম্নদে। ঐখোয়গী মীতৈ হূইনা ইমুং মনুংদা চংলুবা থোক্লবদি মাঙই হায়দুনা লাউ খোংদুনা তাল্লি। মীরমগী হূইনা ফাইরবা অমাংবা মপূগী মখূৎনা পায়দুনা শেংদোকপদা হঙ্গোইবা তুকৎচবা ফাওনদে। মীতৈ হূইনা ফাইবা অমাংবা য়াম্না হঙ্গোইনা তুকৎচনা লৌনৈ। মরম অদুনা কনা কনাগুম্বগী ইমুং খরদি কা অমত্তদা কাংথোল তোঙান্না থারগা তূম্মিন্নে। মীরমগী হূইদি চয়োলগী থাখায়গী ইরু মায়থজবী, মহীক-মতাই ফাদোকপী। নাদা-য়েক্তনবা হীদাক লাংথক পীজৈ অমসুং কাপ্পী। অদুগা ঐখোয়গী মীতৈ হূইদি অসুম্না সেবা তৌবীরুবদি লায়রদনা হেক উবগা চৈনা ফৈরেং লংদুনা খরা তানবী, নূঙনা থাদুনা খরা তানবী তৌদুনা লোয়নবী। চাক পীজবা, থাবিবা মক্তবু ওইরবসু মীতৈ হূইদা থাবনা উফুল থাংবা লৈবাক্তা অদুগা মীরমগী হূইদা থাবদনা তোঙান্না লৈদুনা থম্বা পুখম অমদা হাপ্লগা পীজনৈ। মীতৈ হূইনা পোকপা হূইনাও লৌবীনবা কনা লৈতে। মীরমগীদি হূইনাও পোকত্রিঙৈ মবুক মনুংদা লৈরিঙৈদা লাবা ওইরসু অমোম ওইরসু অমা হেক্তা লৌহৌনবা এদভান্স পৈশা পীশিল্লগা থম্লে। খঙদে মীতৈ লৈবাক অসি মতা অমনি অনৌবনিবু হায়রবদি শিবা নাবা খঙনদে। মতম অমগী ৱারী নীংশিংমিন্নবা য়াই মদুদি য়েংবদা মশা নানবা মোরে থরোই অমদি মোরে হঙোই মীঙোন্দগী শেল পীদুনা লৈরুরগা শন্বলদা, য়েনখাদা অমসুং পৃথ্রিদা থাদোক্তুনা লোয়নরম্বা লমদমনি। অদুবু য়াম্না কুইদে মতম খরগী তুংদা হু চেল্লি খঙলকপদগী অউ-অউবা মোরে থরোই অমসুং হঙোই খোঙপাক্না নেৎখায়বা, লোংনা থিনবা তৌদুনা মীয়াম চঙদুনা হাৎখিবদগী ঙসিদি উখিদ্রে। অতোপ্পা অমনা মতম অদুদসু পোকেট দোগ মমিং চৎলম্মী।। মমিং চৎপদা নত্তনা মীয়াম্না কয়ামুক য়াম্না পাম্না লোয়নবগে হায়রবদা ওফিস কাবদা, কৈথেল কাবদা ফাওবদা পুরগা চৎনরম্মী। অদুবু কান্নবা হূই নত্তে খঙনরকপদগী ঙসিদি পোকেট দোগ উখিদ্রে। অদুগা অমনা কোরা জিন্না তুবা খোঙ্গ্রাও অমদি হৱাগাড়ী তয়ারনা শাবা খুগ্রাংদা চহী ফনা কুইনা অমুক ঙাওরম্মী। হায়বদি ওফিস কাবদা, ফঙ্কসন য়াওবা চৎপদা কোরা জিনগী খোঙ্গ্রাও শেৎলগা অদুগা তয়ারনা শাবা খুগ্রাংনা শেন্দলগী মহুৎ শিল্লগা তোংবনা য়াম্না লেম্বা শানা চৎনরম্মী। অদুবু ঙসিদি অনীমক অমত্তা উগে ফংখিদ্রে, মরমদি খ্বাইদগী হন্থবা থাক্কী পোৎনি খঙনরকপদগীনি।

ঙসিনা অমুক ম্যান্মার লৈবাক্তগী চঙলকপা মরোল-মরী শুবোই-শুদবোই ঙাঙবগী মতৌদুদা নুংশিরিবনি হায়দুনা নার্কো কুকি টেররিষ্ট অরৈবমখৈ মণিপুরদা চঙহল্লুরে। লৈঙাক্না ‘সূ’ চৎনহন্দুনা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শিন থুংবদা চঙবা য়াহল্লুবগী মহয়না মণিপুরগী চীংমাই পুম্বা কুকি খুলনা ৱাই চাইরে। কুমজা ১৯৯২গী নাগা-কুকিগী লান্দা চৎখ্রগদবা কুকিশিং মীতৈনা মরম শুকলৈ লৈতনা নুংশিরিবনি হায়না লান খামদুনা নাউ চাউহল্লুবদগী ঙসিদি করি থোক্লে, মীতৈগী লম মখোয়গী ওইগে হায়রে, লান তাশিল্লক্লে। মীতৈ নখোয় কদাইদনো অমা চৎখ্রো, মখোয়তগী ওইবা কুকিলেন্দ অমা শেন্নগে হায়রক্লে। অমরোমদনা মণিপুর মীয়াম্না করি হায়রি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক চাওখত্তনা ইন্দিয়া চাওখৎপা কৌবা য়ারোই হায় হায়য়ে। মরু ওইনা মণিপুর চাওখত্তনা ইন্দিয়া অসি চাওখৎপা কৌবা য়ারোই হায় হায়য়ে। লুক ইষ্ট পোলিসিদগী এক্ট ইষ্ট পোলিসিদা মীং ওন্থোক্লে হায় হায়য়ে। অন্দমান এন্দ নিকোবরদা লৈবা মাউন্ট হেরিটেজবু মাউন্ট মণিপুর হায়না মমিং থোল্লে হায় হায়য়ে। মণিপুরগী মোরে-ম্যান্মার থাইলেন্দ, ভিএটনাম, চাইনা ফাওবদা ত্রেন লম্বীনা শম্নহন্দুনা ৱর্ল্ড ক্লাসকী ত্রেদ সেন্টর অমা ওইহল্লগনি হায়রে হায়য়ে। স্পোর্টসকী লমদসু মণিপুরনা ইন্দিয়াগীমক মায় পুরকই হায় হায়য়ে। মণিপুরগী এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পগী লৈঙাক দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক্কি হায়রে হায়য়ে। মরম অসিনা হাপ্তা হেক খুদিংগী সেন্টরগী লুচিংবা অমমম মণিপুরদা থারক্কনি হায় হায়য়ে। মণিপুরনা চাওখৎ লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লকপা মতমদা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈ হায় হায়য়ে। অসুম্না হায় হায়য়ে, হায় হায়য়ে হায়বা ৱাহৈনা ৱাই চাইবমখৈ হায়বগী ৱা তাদুনতা লাকখি।

অদুবু ঙসিদি ম্যান্মারগী কুকিনা লুচিংবা মণিপুরদা ‘সূ’ চথুনরিবা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা মণিপুরগী মীতৈশিংদা অতম্নবা হৌখিবা মে ৩, ২০২৩, যূমশকৈশা নুমিৎকী য়াচংলকপা মতমসিদগী অকনবা মওংদা লান্দারকপদগী মণিপুর লৈঙাক পুরা-পুরি ফেল ওইরে, লৈবাক চলাইবা ঙমদ্রে, কাং-খোং চাইরে। অশি-অনা, অশোক-অপন থোকপা অমসুং যূম কয়া মৈনা তুম্না থাদোকপীখিবগী নুংঙাইতবা নীংঙমদবগী মীকপ মীরাওখোলনা মণিপুর নিল্লে। অদুবু মণিপুরতবু লাইনীং ওইদুনা লৈজরম্বা দবল ইঞ্জিনগী মপূ নরেন্দ্র মোদি নোংফাদোক লাক্তুনা হংলদ্রে। অউ-অউবা হাৎন-শুনবদগী ঈনা লৌখোং ওইনা চেল্লবা মণিপুরদা করি তৌনরবনো হায়নফাও টেলিফোনগী খূত্থাংদা হংলকত্রে। উরিষাদা ত্রেন এক্সিদেন্ট থোকপদদি খুদক্তা পাউ হংবা চৎলি। তৌবগীদি ত্রেন এক্সিদেন্ট থোকপা হায়বসি নোংফাদোক্লি, মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসিদি হৌজিক হোরেন লোইগদবা লান নত্তে, নোংমা হেক চৎলগা হংলুরগা লোইরে খল্লম্বসু য়াই। মদুগী মথক্তা ফোরেন টুর চৎপনা, ওফিস শঙ্গাবনা হেন্না মরু ওই খল্লম্বসু য়াই। অদুগা ঈরাং থোক্লিঙৈ মনুংদা মহাক্কী ঙমথং ওইরিবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহসু অসাম ফাওবদি ওফিস অমা শঙ্গাবা লাক্লম্লগা মণিপুরদা চঙলমদনা দেল্লীদা তননা হনখি। তৌববুদি থেংলবসু থেংনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মে ২৯, ২০২৩দা ইম্ফালদা লাক্তুনা নুমিৎ হুমনি লৈরগা লানগী ফীভম য়েংদুনা লৈখি। মহাক মশা ইম্ফালদা লৈরিঙৈ মনুংদা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈশিংদা ওনশিল্লগা বোম, টোপ, নোংমৈনা লান্দাশিনবা লেপ্পা লৈখিদে। মতম অদুদসু হোম মিনিষ্টরনা বোম, টোপ, নোংমৈ মখোল তানা-তানা তাশিন্নদনা লৈথোকপা ঙম্মী। অদুগা মশামক্কী ফুরিৎ খাওদগী পীবা মানবা লুপা কোটি ১০১গী শেনফম অমা পেকেজ ওইনা অশিবগী পোৎয়েং শেল ওইননবা লাউথোক্লম্লগা নুমিৎ তরানিগী মতুংদা ইম্ফালদা অমুক হন্না লাক্কে হায়রম্লগা লাকখিদ্রে। ঙসিদি মণিপুরগী মীতৈ অমত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা দেল্লীগী লুচিংবা অমত্তগী মশক উনীংবা ফাওনদ্রে। প্রাইম মিনিষ্টরগী মন কি বাট প্রোগ্রাম শন্দোক্কদবা নুমিৎ খুদিংমক রেদিও মূখুৎতুনা থম্নরে। য়াম্না নুংঙাইতবা অমনা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মণিপুরদা লানগী মতাংদা ঙাঙলম্বা-শক্লম্বশিং অদুনি। হায়বদি দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লমদাই মতম য়ৌরকপগা মণিপুর মীয়াম্না তানীংদবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং হায়বদি মণিপুরগী ঈরাংসি হন্থখিনবা চীফ মিনিষ্টর ওইরিবসি লৌথোক্লগা পি আর থম্লবদি ফগনি হায়রম্লগা হন্নখিবা অসিনি। প্রাইম মিনিষ্টরসু মদু মঙাই কুকি মিলিটেন্টশিংনা লৈখিদ্রবা ইন্দিয়াগী ফ্রীদম ফাইটর অমগী লোয়নবী ওইরম্বী চহী ৮০ হেল্লবী নুপী অমা য়াওনা মীওই কয়া মৈ থারগা অমদি ফূরগা হাৎখিবগী ফোং ফোং শাবা থৌদোক কয়া অমা থোকখিবা লৈখ্রে। পুম্নমকশিং অসিবুদি নাথৈদুনা থম্লগা পার্লিয়ামেন্ট ফমগদবা নুমিৎ নীনি ৱাৎলিঙৈগী মমাঙদুদা চজিক ওল্লবা কুকি নুপী অনীগী ফি থোংদবা হকচাংগী সেকেন্দ খরদং শাংবা ভিদিও ক্লিপ অমা তূল্লুবা হৌগৎলকপদা উরগা চোইরোল পারোলদা ঙাঙলকপা ৱাদা মীতৈশিংগী থম্মোয়দা প্রোক-প্রোক চাক্লা খাঙনখি। ঙসি অসিনা লাইরিক তমদুনা লৈরিবা চহী নৌরিবা অঙাং কয়াবু কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফার-ফারগা মীনুংশি য়াওদনা মঙক কক্লগা হাৎলক্লিবা অসিদনা ‘বেটি বচাও বেটি পরাও-!’ লাউরিবা প্রাইম মিনিষ্টর ৱাহৈ অমত্তা ঙাঙলক্ত্রে!!! ●

# বন্দ, লায়রবনা ৱারবসু ইনাক খুনবশিংগীদি ছুটিনি!

মতম মতমগী
গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্ম

ঐহাক্কী ওইনদি অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্টতা নোংমা ফাদোক ব্রেদ-বট্টর য়াওদবদা থোইনা অকায়বা লৈতে, বিস্কিটনা মহুৎ শিল্লবসু অদুম য়াই। ঐখোয় মীতৈগীদি ব্রেকফাষ্ট অসি অয়াম্বনা চা অমগা চানবা খরবু ফংলবা অদুম য়ারে। মদুনা নোংমদুগী ব্রেকফাষ্ট অদুম ওইরে, সাহেবকী মিংথোল ফংলবা মীওই খরবুদি মীতৈ ওইরবসু মোর্নিং টি অমসুং ব্রেকফাষ্ট হায়না তোঙান-তোঙান্না লৌখৎনবসু লৈ। মরক-মরক্তা অয়ূক্তা শঙ্গোম লাক্ত্রবসু থোইনা প্রোব্লেম ওইনা লৌনদে। করিগুম্বা পাউচে লাক্ত্রবা নুমিৎতুমদি নুংঙাইতবা অমদি ফাওই, য়াহৌবগা গেট ময়াদা পাউচে তারমদ্রবদি নোংমদুগী ওইনা করিগুম্বা অমা ইৱাৎ-ৱাৎপগুম তৌই। মদুসু হৌজিক্কী মতমদদি মোবাইলগী মতেংনা খরমখৈবুদি মেনখৎপসু য়ারে। অদুবু নুমিৎ খুদিংগী ব্রেকফাষ্ট হেক লোইবগা মতম কয়াগী মমাংদগী থাদোক্লবা য়াদনা লেপ্তুনা চারক্লিবা গুলিশিং অদু লৈরমদ্রবদি ইশাসি পোথাফম খঙদে, ডাক্তরনসু হীদাকশিং অদু থৱায়মক্লি খন্দুনা মতম চানা লেপ্তুনা চাবীয়ু হায়রকপনা নোংমতং চাহৌদবদা হকচাংসি জিং-জিং লাওরকপগুম, কোক ঙাওরকপগুম তৌই। তৌবগীবুদি ৱাখলনা ওইরম্বসু য়াই। হার্টকী প্রোব্লেম লৈবা, বি পিসু ৱাংবা ঐখোয়গুম্বদদি গুলিশিংদু হেক চাদ্রিবমখৈ হকচাংসি ইনুং নুংঙাইতবগুম তৌই।

মীতৈগী অরিবা পাউরৌদা কৈ লৈবা মফমদা নুমিৎ তাই হায়নবদুমক হেক থোকই। দাও য়াগন্দবা ঐখোয়গুম্বদনা অমুক্তা হেন্না তোয়না থোক্কল্লি। নহান জেনরেল ষ্ট্রাইক হায়গদ্রা, বন্দ হায়গদ্রা মমিং খেন্নজরবসু চপ্পুদি মান্নবা জাৎনি। নুমিৎতুদা অয়ূক্তা চাগদবা গুলিদু লৈরমদ্রে, দাও য়াদববুদি নত্তে, থওইরুদবা হায়গদ্রা, চেকশিন্দবা হায়গদ্রা তৌবগীবুদি কাউগনবননি। বন্দ ওইগেরা, জেনরেল ষ্ট্রাইকপু ওইগেরা নৎত্রগা শিন্থা লেপ্পনিবু হায়গেরা, মমিং তোঙান-তোঙানজরবসু এনি দিমান্দগী ওইরবসু বন্দ অমা হেক কৌরকপদা দিমান্দবু য়ানীংবা-য়ানীংদবা, সপোর্ট তৌবা তৌদবনা তোঙান্না থমখ্রগা বন্দবু কৌরক্লবদি চত্তবা ইয়ামক য়াদবা থবক নৎত্রবদি যূমদগী হেন্দোক্তবা হায়বসিমসু ঐহাক্কী হৈনবীনি। থবক ইরৈ লৈতনা চৎলুদুনা কৈদৌরুনি? তম্বা ঙমদবা লমদমসিদা বন্দ য়েংবা চৎপদা অশোক-অপন নংদুনা অনৌবা প্রোব্লেম অমা ইনভাইট তৌরুগদবগী শরুক নোংমদুমা যূমদা লৈবনা ফৎত্রা?

নহানগী বন্দ নুমিৎতুদি হীদাকশিং অদু লৈনীংদুনা খোঙনা ৱাকিং ওইনা থোরক্লে। নুমিৎ খুদিংগী গাড়ী চিনবনা মরম ওইরগা চৎপদা অৱাবা অমা ওইবা খ্বাইরম্বন্দ বজারদু নুমিৎতুদি ইহাঙ হাঙই, গাড়ী মচা খরা নত্তনা অতৈ পেসেঞ্জর পুবা গাড়ী কয়া চৎপা উদে। ফৈজোম শেৎপা মীওই তোংবা গাড়ী মমাঙগী মিংশেলদা অষ্টি চৎপা, শ্রাদ্ধ চৎপা, হায়দোকপা চৎপা হায়বনচিংবা ইবা চে থেৎপা গাড়ী খরবুদি চৎলি, গাড়ী খরা হায়বগী ৱানি মশীংবুদি ফনা য়াম্বা জাৎনি। অনাবগী চৎপা হায়না থাদুনা চৎপসু য়াওই। মতম খরগী মমাঙদা ভাই থোইবনা বন্দ নুমিৎতা পাইজমা কুর্টা শেৎলগা শ্রাদ্ধ চৎপা হায়না থাবা চে অমা গাড়ী মমাঙদা থেৎচিল্লগা মতমদুদা য়াম্না পোপ্যুলর ওইরম্বা নেটৱার্ক বিজিনেস অমগী প্লান শো অমা চৎলি হায়খিবদু নীংশিংলকই। নহান কৌখিবা বন্দ অদুদা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবনি হায়না চে থেৎলগা চৎলিবশিং অদুগী মরক্তসু অদুগুম্না শেমজিন-শাজিনবা চে থেৎলগা চৎপা মীওইশিং য়াওরল্লোইদ্রা?

অয়াম্বা মতমদা চিন্দুনতা লৈবা থাঙ্গাল বজারগী লম্বীদুসু নুমিৎতুদি ইহাঙ হাঙলম্মী। লৈবীনবা মী ইরৈ লৈত্রবসু অহল ওইরবী ইমা অমদি পোৎ য়োল্লম্মী। নুমিৎ খুদিংগী পুলিসনা কোইতান তান্দুনা ফমহন্দবা মফমদু নুমিৎতুমদি ৱাই শংনা ফম্বা ফংজরে। মনাক য়ৌশিল্লকপদা করিনো অমত্তদি লৈবীখো হায়রকই, মনা-মশিং লৈবা লাকপদি নত্তে অদুবু অহল অদুগী মতৌ উবদা করিগুম্বা খরদি লৈবরগে খন্দুনা খুইরি-খুইরি তৌরবা হঙ্গাম মপুন অমগা চাউবা মান্নদবা তিঙ্জং-কাইজংবা মানবা খামেন অশিনবা খরগা লৈবীরে। ঐনা লৈরকপা মনা-মশিংশিং অসি অয়াম্বা মতমদা যূমগী মীনদি কয়া হরাওদে, যূমদা পুশিনখিবদা ইমৌ অতোন্বীনদি ববানা লৈরক্লিবসি হনুবীনা য়োল্লম্বা ওইরমগনি হেক্তা হায়রকই। অয়াম্বা মতমদা ঐনা মার্কেটিং তৌবদা মমায় মকে শেল্লগা মনা-মশিং য়োল্লিবা নহাশিং অদুদগীদি কয়া লৈখিদ্রি, চহী নম্বো পোরবা পাম্বৈ লৈতবদগী থোরকপা মানবা মীওইশিং অদুনা য়োনবা পোৎশিং অদু ফজরবসু-ফজদ্রবসু লৈবীবদা পূক্লিংদা নুংঙাইবা ফাওই। অহল অদুদা বন্দ নুমিৎসিদি যূমদা পোত্থাদুনা লৈবা য়াদ্রা হায়রুবদা ঐনা পোত্থারবদি মমা-মপা লৈখিদ্রবা ইশু অনী অদুদি করি চাগনি? লাইরিক-লাইশু নীংথিনা তমহন্দুনা শেন্স্বমক ঙমদ্রবসু মবুক্তদি থলহনবা ঙম্নবা দন্দি ওইনা থোরক্লিবনি হায়রকই। তাবদা থম্মোয় শোকই, হংলমদবনা ফরম্বনি খন্দুনা মখা তারুদ্রে। মখোয়গুম্বা মীওইশিং বন্দ পাল্লমগদ্রা? বন্দ কৌরকপদা শৌগৎনীংলমগদ্রা? ইশা ইতোমতা হংজখিবা পাউখুম থিরিবা ৱাহংনি।

ঙসি লমদম অসিদা কৌরিবা বন্দশিং অসি অয়াম্বনা মী-মীগী হিংবগী লেভেল খেন্নবগী মতুংইন্না বন্দগী চৈথেংসু অমগা-অমগা মান্নদে। শেল পায়বা বন্দ তৌদ্রবসু পেসেঞ্জর গাড়ী তোংদবা মশাগী লম্নাই গাড়ীদা চৎথোক-চৎশিন তৌবা মীওইশিংগী মফমদদি লৈবাক্কী ওইবা কনা অমত্তনা হৌরুদ্রবসু মশা-মশানা থোরক্তুনা তৌবা মীশি-মীনা, মৈহৌ-লাংপোক থোকপা য়াবা বন্দ নৎত্রবদি পাঙথোকপদা অপনবা লৈতে। লমদম অসিদা কৌরকপা বন্দ অয়াম্বা অনা-অয়েক, লাইনীং-লাইশোনগী ওইবা থবক-থৌরমশিং কোমথোকপনা বন্দ নুমিৎতা লম্নাই গাড়ীশিংদা অনাবা পুবা, অষ্টি চৎপা, শ্রাদ্ধ চৎপা হায়বনচিংবা থাবা চে নপ্তুনা চৎপা গাড়ীগী মশীংসু ওখাক য়াম্না উবা ফংই। মখোয় লোইনমক অচুম্বা ওইরমগদ্রা? মশা-মশাগী গাড়ী লৈজবা মীওইশিংনা চৎনীংবা থবক চৎপদা চে নপশিল্লগা চৎপা য়াওরল্লোইদ্রা? অচুম্ববু ওইরবসু অরানববু ওইরবসু মশাগী গাড়ী লৈজবা মীওইশিংগীদি বন্দগী প্রোব্লেম লৈতে। মশাগী গাড়ী লৈজদবা মীওইশিংনা চত্তবা য়াদবা থবক্কীদমক গাড়ী ৱাইদুনা চৎপা তারবদি লুপা ২০০/৩০০না কোন্নবা য়াবা থবক্তু য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং অনী/অহুমদি খরচ তৌবা তাবনি। অদুনা বন্দ নুমিত্তা শেল পায়বা মীওইশিংগী মফমদা থবক চৎপদা নোর্মেল ওইজরবসু লৈত-লায়রশিংগী মফমদদি অচৌবা পোৎলুম অমনি। লমদম অসিদা কৌবা বন্দ অয়াম্বদা ফ্লাইট সর্ভিসতসু থোইনা অকায়বা পীদে, নোর্মেল ওইনা পাইবনা এরোপ্লেন তোংবা ঙম্বা মীওইশিংগী মফমদা প্রোব্লেম ওইদ্রবসু এরোপ্লেন তোংবা ঙমজদবা মপান লমদা চৎকদবা মীওইশিংগী মফমদদি বস চত্তবনা অৱাবগী মশক্লি।

লৈঙাক্কী অকনবা হুকুম লৈরবসু বন্দ নুমিৎতা সিক্যুরিটিনা ঙাক শেন্দুনা চৎপা মীওই খরা নত্তনা অতৈ কর্ম্মচারিশিংদি ওফিস কানদবনা অয়াম্বনি। বন্দ নুমিৎতা ওফিস কাদবা কর্ম্মচারিশিং এক্সন লৌগনি হায়জরবসু থবক ওইনা পাঙথোক্তবনা কর্ম্মচারিশিংগী মফমদদি বন্দ অসি ছুটি ওইনা লৌনরক্লে। অচৌ-অচৌবা করবার তৌরিবা মীওইশিংসু শেন্দোং খরা মাঙজরবসু পোত্থানবা মতম পীবিরে হায়না লৌনবসু য়াওদবা নত্তে। মত মান্নবা কর্ম্মচারি অমসুং করবারৱালাশিং বন্দ নুমিৎতা মখোয় মঙা/তরা পুনশিল্লগা পার্টি তৌবা অমসুং দুরি শান্নদুনা মতম লেনবসু য়াওদবা নত্তে, মখোয়গী মফমদদি বন্দগী অৱাবা লৈতে। বন্দনা চাউনা চৈথেং পীরিবসি লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা, শূ নোম্লগা চাজবা, শেন্থোক য়াম্না লৈজদবা, শোত্থহৌরবা কাঙবুদুনি। অদুনা বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক অমসুং শিন্থা লেপ্পনচিংবা অসি লায়রবশিংগীনা চাকখুম য়াওনা পূম্নমক বন্দ অদুগা লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিং য়াওনা নুংঙাই য়াইফবা মীওইশিংগীনা ছুটিনি হায়বদা থোইনা লাল্লরোই। ●

# উরোক্না ঙা চাদবা, হিয়াঙ্গৈ নোংমা পানবা নুমিৎ

## (নিঙোল চাক্কৌবদি চহী খুদিংগী পাঙথোক্লগনি, ‘হে লান’ নহাক্তি অমুক হন্না লাক্তবা ওইয়ুকো, মীওইবা খুন্নাইদা)

- সৌবাম বিরধ্বজ -

মমাঙঙৈ মতমদদি ময়ূম পান্নখ্রবী নিঙোলশিংনা মবুং অমসুং মৌপ্পাশিংবু মহাক্কী মপুরোইবগী শঙ্গাইদা চাক্কৌবা ওইনা তৌনরম্মী। যূম পানখ্রবী মচন্নুপী অমসুং মচে মশীং য়াম্বদগী নোংমতদা চৎপদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোক্লম্মী। মমাঙঙৈ মতমদদি চৎনবী পূম্নমক সনা কোনুংদগী হৌদোরকপা ঙাক্তনি। মহারাজ চন্দ্রকীর্তি (১৮৩১-১৮৬৬) না চহী ৫৫ পানখিবা মতমদা মচন্নুপী মশীং য়াম্বদগী নোংমদা লোইনমক চৎপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবদু কোক্লনবা হায়দুনা নিংথৌনা মচন্নুপী পূম্নমকপু মহাক্কী কোনুংদা ওইনা কৌদুনা ‘নিঙোল চাক্কৌবা’ হায়বসি হৌদোকখিরম্মী। মতমদুদগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎ অসিদা নিঙোল চাক্কৌবা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

অতিয়াদা নোংথি-নোংমঙদ্রবা/লৈচিন-নোংফাই থাংদ্রবা মতম হিয়াঙ্গৈ থা ওইবনিনা অতিয়া মকোইসি পুরা ব্লু (হিগোক) মচুনি। মরম অদুনা আ! অতিয়াগী মনুং হঞ্জিন্না হিগোক মচু মান্না পাক্লা-তাম্না মিৎয়েংগী ৱাংমদা লৈরিবা অতিয়াগী মচুসে ফজমনখিদুনা মতমদুগী চৎনবী অমা ওইনা নিঙোল ওইবীশিংনা নিম মচু/হিগোক মচুগী/সোরারেন মচুগী, মোইরাং ফিজন হৎপা পারপ তৌবা (মোইরাং ফি) শেৎ-ইন্দুনা মপাম চাক্কৌবা লাক্লরম্মী হায়না থেংনজে। চাক্কৌবা লাকপদনা ইঞ্চোলদা পানবা থবী, অৱাথবী, পুংধোন, হৈতুপ, হৈখা, চুম্ব্রে, নোবাব, লফোই, হরি উথোন, জাম, কিহোম্নচিংবশিং মবুং-মৌপ্পাগীদমক পুনরক্লিবনি। পুরক্লিবা পূম্নমক মখোয়গী ইঞ্চোলদা পানবা ঙাক্তনি হায়রদুনা হরাওনরিবনি অমসুং যূমথোঙ খুদিংগী হৈ মখল-মখল থাদুনা চাক্কৌবদা পুননবা মাঙজৌননা পন্থৌ ইঞ্চোল চগোইনুংদা থানরিবনি। হৌজিক্কী মতমদদি মমাঙঙৈ মতৌগুম্না ইঞ্চোল অচৌবা লৈনদ্রে, হৈ-লৈ থাননবা ইঞ্চোল লৈত্রদুনা গম্লাগী হৈ-লৈ খরদং ইঞ্চোল চিদাইদা থান্নরি। মপান্দগী পুশিল্লকপা য়ুবী, লফোই, হৈনৌ, শেম, কোম্লা, কফোই, অচাথাও, শঙ্গোম অমুল, কোকা-কোলা, স্প্রাইট, মোজাফুরিৎ, লুংগি, ফৈজোম, পুময়াৎনা লোইনমক মহুৎ শিনবনা লেম্নবা শক্লরে। মদুগী পাউখুমদা ফ্রিজ, ৱাশিং মেছিন, টু হ্বিলর, টেলিভিজন্নচিংবা চাক্কৌবদা দক্ষিনা ওইনা হাপ্নরি। পন্থৌ মাঙ্গোলদা মখূৎনা য়োংখমদা শাজবা খুদৈ অরাংবা অমতং পুরক্তুনা মবুং-মৌপ্পাগীদমক নুংশিনা চহীগী খুদোল তম্নবা অমসুং পৃথ্রিদা য়োকচবা অয়োক-ঙা অচৌবদু ঈলদা ফাদুনা হাউনা মচিন-মৌপ্পা চামিন্নবা মতমদু লাক্লরোইদ্রা?

মমাঙঙৈদদি অপোকপা পন্থৌ নৎত্রগা মবুং-মৌপ্পানা ক্বা মনা অমসুং লৈ খরা ফিঙৌ নৎত্রগা রুমালনা নিংথিজনা য়োম্লগা চাক্কৌবগী চেবাউ ওইনা ঐখোয়গী নাৎকী চৎনবীদা য়াম্না লেম্না চাক্কৌবা মমাঙ নুমিৎ ৪/৫নি ৱাৎলিঙৈদা পীবা চৎনরম্মী। হৌজিক্তি মোবাইলদা ওইনা হায়নরে অদুগা দক্ষিনাসু আইফোন ১০, শমসুঙ ১২, নোকিয়া ১৫ ব্লেক/হ্বাইট/ষ্টিল মচু লৈদ্রদি চাক্কৌবা লাক্লরোই হায়নরক্লবনি। মাঙজৌননা ওনলাইন্দা, অমাজোন্দা, ফ্লিপ-কার্দতা এজিওদা, আইচ আর এক্সনচিংবদা ৫০%, ৬০%, ৭০%, ৮০% দিস্কাউন্টতা ফংবনি, ননাওদা/চনচন্দা এদভান্স ওইনা পেমেন্ট সিষ্টমদা ওর্দর তৌখ্রো চাক্কৌবা নংনবা, দেলিভরি দেট নংননবা তৌখ্রো সি ঙাক্তনি হৌজিক মতমদা।

নাকল অমরোমদনা চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকপনি হায়দুনা চৈরাওবগী দক্ষিনা ওইনবা ঐখোয় ববাগী, মোমগী, দাদাগী, ইনম্মগী, ননাওগী ওনলাইন্দা ওইনা ঙন্তানা চেলহৌরগে হায়দুনা ননাওগীনা জেকেট, তামোগীনা খোঙউপ, ববাগীনা ইলেক্ট্রিক ব্লাঙ্কেট, মোমগীনা সাইন্নিং বেগ, ইনম্মগীনা ইলেক্ট্রোনিক ঘড়ী অসুম্না ওইরদি কুমসিগী চৈরাওবগী পীননবসি য়াম্না ফজরনি খল্লদুনা পূম্নমক ওর্দর তৌনখ্রবনি। অসুম্না ওনলাইন্দা লোইনমক শোপ্পিং তৌনরকপসিনা খ্বাইরম্ববন্দ কৈথেল অমসুং শো রুম খরদি থোঙ লোন্নবা য়াওনরবনি। ওনলাইনগী সিষ্টমসিনা বজার মনুংদা দুকান প্লোট অচৌবা লৈবগী শেনফম চঙদ্রে, সেলসমেন ময়ামগী থাগী তোলোপ চৎত্রে, দুকান ভারা থিদ্রে, কম্পেনিশিং কম্পিটিসন তৌনবদা দিস্কাউন্ট য়াম্না পীনরবনিনা লৈরিবশিংনা কান্নবা য়াম্না ফংলে। লোয়ননা যূম-যূমদা ওইনা থিল্লক্লবনিনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী দুকানশিংদি ময়া কাদুনা চগৌ য়েংলগা লৈরে। দুকান্দা মী অমা/অনীদং চঙলকপদা ফি অমত্তং য়োলহৌনবা ফি পূম্নমক হাংদোক্লিবনি। মমল হেক ঙাঙনরকপদা সিদি ওনলাইনগা য়াম্না খেন্নমনখ্রে, নংনদবগী খুদক্কী ওইবগী তঙাইফদনা য়েংবা লাকপনি হায়রম্লগা থোকখিবদগী হন্না ফাওবা য়েংলমদনা চৎখ্রিবনি। নুমিৎ-চূপ্প’মা খুলামখা কৌদবা কোঙ্গাইনি।

হরে রাম (অচুম্বা অমসুং ধর্ম্ম লৈবগী শাইওন), লক্ষমন (ময়াম্বা নীংবা অমসুং অঙ্কগী জ্ঞান খঙলবা সাধু), সিতা (সতি পূম্নমক্তগী অথোইবী), হনুমান্নচিংবা পূম্নমক্না বন-বনগী মতম লোইরদুনা অযোধ্যাদা হল্লকপা নুমিৎ অমাবস্যা (থামম্বা/থা থোক্তবা) অহিং মতমদা উমংগী লম্বীদা হল্লকপদা (লম্বী লম্মাংনদনবা/মঙ্গল ওইননবা) মঙাল ফংননবা মৈরা পরেং থান্দুনা কোনুং তম্না লাকপগী লম্বীদা হরাও-মথোইনা থুমহৎলবা, ময়াম্বা নীংবা ভোরোতনা লুচিংদুনা, মীয়াম্না মখূৎতা ধুপ-থাউমৈ পায়রদুনা মবুংঙো শ্রী রামচন্দ্রবু ওকপগী থৌরম্ব (দিপাবলি) হায়না খঙনখি।

ময়াম্বুং রাম্না হেক থুংলবগা নহানমখৈ ময়াম্বুংনি খন্দুনা থল্লিবা খুরুম অনীদু শিন্নরম্মী। নিংথৌ খুভমগী সিংহাসন্দা ময়াম্বুং রামচন্দ্রবু লেংখৎহনখি। অদুগুম্লবা দিপাবলি অমসুং নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈ অনীসি কুমসি চহীগী ওইনদি পাঙথোক্লরোই হায়না হৌজিক্কী মণিপুরগী লৈবাক মীয়াম্না ৱারেপ লৌনখি।

রাবন মকোক তরা পানবা (মকোক অমমমগী তোঙান তোঙানবা মগুণ তোঙাল্লি, তরুক অমনা ফত্তবগী গুণনা হেল্লি, মরি অমনা অফবগী গুণনা হেল্লি হায়না শীংথানরিবনি) মায়া তৌদুনা সতি সিতাবু ফারগা লঙ্কাদা পুরক্লগা থমখিবা করামচাওবা নিংথৌনি। রাবননা নাপলনা হেনমনখিদুনা সনাগী কৈরাক শাদুনা থা লৈবাক্তা চৎলুনবা থৌরাং তৌখিবা য়াম্না ইনাকখুনবা নিংথৌনি। নাপল অমসুং শক্তিনা সিতাগী থম্মোয়বু খুদুম চন্নবা হোৎনরিবা রাবন মহারাজনি, অদুবু মহাক্না মশানা য়াদনা ঈজৎ মাঙহনখিদে, নম-হাদুনা সিতাগী খুদাং ফাওবা পায়খিদে। সতি সিতানা মাগী সতিত্যগী ধ্যাননা মপুরোইবা শ্রীরামচন্দ্র অমসুং মনাওনুপা লক্ষমন্দা মহাক লঙ্কাদা লৈরে হায়বদু খঙহনখি। হনুমান্নচিংবা পূম্নমক্কী মতেংনা সতি সিতাবু লঙ্কা লৈবাক্তগী লান্দা রাবনবু মায়থীবা পীরম্লগা সিতাবু অমুক হন্না পুরকখি।

রাবনগী মতৌগুম্না মপুক ফত্তবগী চাংনা হেল্লবা কুকি কম্যুনিতি অমসুং এক্সত্রিমিষ্টশিংনা মীতৈগী মথক্তা লান্দাদুনা ইতৎ তত্তনা কাইহৌরি। যূম-কৈ পাক্তক্লনা মৈ থাদুনা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মতৌদা রিফ্যুজি ওইহল্লিবনি। মীতৈ ঐখোয়গী মরক্তা মীওই কয়ামরুম্না অৱা-অনাগুম্না রিফ্যুজি কেম্পতা লৈরগা অমসুং ঐখোয়গী খুল ঙাকপা কাঙলূপ্পা লানগী চৈথেং মায়োক্লদুনা কুকি এক্সত্রিমিষ্টশিংগা লান্থেংনদুনা লৈরগা ঐখোয়না ঐখোয়গী কলচরনি হায়না নিঙোল চাক্কৌবা পাঙথোকফম থোক্লিব্রা হায়নদুনা কুমসিদি নিঙোল চাক্কৌবা পাঙথোক্লখিদ্রে মফম খুদিংমক্তা।

উরোক কৌবী চেক্লানা ঙা চাদবা নুমিৎ হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবা নুমিৎ অসিদি উরোক্না ঙা চাদবা নুমিৎনি (ঐগী মরুপ নন্দকুমারনা মরুপ ময়ামদা ৱারী লিরি) মানা অঙাং ওইরিঙৈদা মধৌনা লিরম্বনি হায়, উরোক ময়াম্না ৱারেপ অমা তারম্মী, ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী ঙা ফাদুনা চারিবসিগী পাপ কোক্লনবা হয়েংগী নুমিৎ হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবা নুমিৎ অসিদি ঐখোয় ঙা হায়বদু অমত্তা চানরগুমসি (চহী অমগী মনুংদা নোংমতংদি ঙা অমসুং থরোইনচিংবা অমত্তা চারগুমসি) শুপ্নগী ফৌ অমসুং মরূ-মরাং নত্তনা থরোই ফাওবা চারগুমসি হায়নবগী মতুংইন্না উরোক পূম্নমক্না ঙা অমসুং থরোয়নচিংবা অমত্তা চানরমদবা নুমিৎ ওইখিরম্মী। মহাক্না ঙরাং লম্ফেলগী মফম খুদিংদা য়েংলুবদা উরোক পূম্নমক তুম্পক-তুম্পক লেপ্তুনা লৈনহৌই (শরি ৱাশক্লখিবা নুমিৎ ওইবননি) হায়না ময়াম পূম্নমক্তা ৱারী লিরম্মী। ময়াম পূম্নমক মহাক্কী ৱারীদুদা নুংঙাইনা নোকমিন্নে। মরুপ অদুগী ৱারীদু ফমজন্দুনা ঙসিগী ৱারেং অসি ‘উরোক্না ঙা চাদবা হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবা’ হায়না মমিং থোঞ্জরে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮

১) **“ঐখোয় নুপীগী অন্দোলন”** হায়বা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

২) **“পাউখুম ফংখিদ্রবা ৱাহং”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“থম্বালগী লৈনম”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৪) **“বরাক তম্পাক্কী মরাইবক”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৫) **“কাইনগী থৈবোং”**হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।